ৱা থাশি, ৱা হিংহনসি : অঙান চীং ইকো পার্ক, ককচীংদা বেম্বু জোন হাংদোকখিবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

লৌরক্কী ঙাক্রাগা ৱারক্কী শোইবুমগা থোংবগী মহাউ শীংথাদবা মী অতাঙবনি, কেন্সর লায়না ঙাকথোকপা ঙম্মীসু হায়নৈ। শোইবুমগী মীংচৎপু কনানা থিংবা ঙম্বগে? উশোই শোইদোলসু অদুমঙায়, উশোই কাংশু, উতি শীংথানরিবনি। থুমোক-তাইরুক, চাকউপ, পোলাং, মেরুক, য়াংকোক, লা, ফক্লোং, ফক্লেন, থৌরি, লূ, লূবাক, লীরুং তেন, খরাই, মোরা, ফিশা লোনশানচিংবগী য়াওনা ৱাগী পোৎলম কয়ানি মণিপুরদা শীজিন্নরিবসি। য়ূম শাবা, শম্বল খাবদা অদুক্কী মতিক মরু ওইনা শীজিন্নবা কোংয়াং ৱানি। মতম অমদদি য়ূমথোঙ খুদিংদা ৱাপন লৈরম্মী হায়বা য়াই। ঐখোয়গী থাজনবীদা য়ান্নীংই হায়দুনসু নুমিৎ থা থিদবীদা ৱা পঙয়ান য়ানবা য়াদে। লৈবাকপোকপা, শগোলশেল, থাংজংদা য়ানবা তৌহৈদে হায়নৈ। মসি ইপা ইপুশিংনা কোংয়াং ৱাবু চেকশিন্না লুনা থম্নবা পীবিরম্বা পাউজেলদুগী খোম্হাংনি। মেরা থাদা য়ানবা ৱাদি শূম তাউ চাদে হায়নরিবনি। শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবখক্তমক নত্তে, লমদম অসিগী পুৱারী, কলচর, লাইনীং লাইচৎ অমদি ৱারী শীংবুন কয়াগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ৱা মখল কয়ানি। নুমিৎ কাপ্পগী ৱারীদা য়াওরি, মীনাই থৌদাদগী নাম্থোকচনবগীদমক খ্বাই নোংচেংবম পিবানা মতিক মগুন লৈরবা লীরুং তেন শাখি, কংলৈ মপু নুমিৎ সনা খোমদোনগী ময়াম্বা তাউহুইরেং অহনববু কাপথনবনি। লীরুং তেন শাখিবা ৱাদু খ্বাই নোংচেংবম পিবাগী তালোয় হাওনু চাখানুনা মপাম শেল্লোইচীংদগী নিরুবা ৱানি। কংলৈ মপু মৈদিংঙু উরা কোন্থৌবা মপারী হোঙনময়োই খুঞ্জাওনা খুমন নিংথৌ মশাইকোনদা লৈরিঙৈ মোইরাংদা খুমন নিংথৌগা লোয়ননা ৱা হোঙবগী থৌরম য়াওবা চৎখিবগী ৱারী লৈ। লমদমসিগী য়েলহৌ মশান্না কাঙজৈগী কাঙদ্রুম কাঙগোল ৱাগী পোথোক নত্তবরা? চন্নফমগী চন্নফম ঙাক্তনি। প্লাষ্টিক্লা মহুৎ শিনখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা মতমসিফাওবদা কোংয়াং ৱাগী পোৎলুমবু শীজিন্নদবা মণিপুরগী য়ূম অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই।

হৌখিবা তাং ১৮ ইরাই নুমিত্তা ***ৱর্ল্ড বেম্বু দে***গী থৌরম অমা য়াওরুই। অঙান চীংগী ইকো পার্ক, ককচীংদা পাঙথোকপনি। য়াম্না চাউনা ধুম-ধামদা পাঙথোকপা নত্তে। মীওই য়াঙ্খৈ-হুম্ফুরোমদমক তিল্লগা পাঙথোকখিবনি। অদাম ককচীং অমসুং দ মেনেজমেন্ট কম্মিটি, অঙানচীং ইকো পার্ক অনীনা খূৎশম্নুনা পাঙথোকপনি। স্পোন্সর তৌবীখিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস-থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন-ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনি। অদামগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এন রাজমুহোন্না থৌরম মপু, চীফ মিনিষ্টর গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ঈ ভেলেন্টিনা, থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও এল দেবলা (আই এফ এস), ওফিস অসিগী এ সী এফ বানৈচোং সিংসন (এম এফ এস), এম এস পি দি সী এলগী দি জি এম টি ঐচ ইবোমচা মৈতৈনা অখন্নবা মীথুংশিং অমদি সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন ইম্ফালগী দি এফ ও আর কে অমরজিৎ (আই এফ এস)না রিছোর্স পর্সন ওইনা ময়ায় তাংবলদা লেঙশিনবীখি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা পান্দমদি লমদম অসিগী অহাঙবা লমশিংদা মফম মফমগী ওইবা লৈবাক লৈহাওগা চুনবা ৱা মখলশিং থাবা অমদি ৱাগী ওইবা পোৎলম কয়া পুথোক্তুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দনা থম্বগী ৱাখল্লোন মীপূম তিংনা য়ৌহনবা ঙম্ননবনি হায়না থৌরমদুগী হোষ্ট ওইখিবা অদামগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম সুরজিৎনা ফোঙদোকখি।

নুমিৎতুগী পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইখিবদি অঙানচীং ইকো পার্কতা বেম্বু জোন অমা হাংদোকখিবদুনি। মফম অদুদা ৱা কয়ামরুম থাদুনা ***উ-ৱা থাশি, উ-ৱা হিংহনসি*** হায়বা খোল্লাউনা চীংমায় অদু নিলহনখি। বেম্বু জোন অদুবু শেম শাবদা মপূং ওইবা থৌদাং লৌখিবা ককচীং ত্রেক্করস অমসুং টিম হেলমেট হায়রিবা লূপ অনী অসিগী থৌমীশিংনা ৱা পান্বীশিং অদুবু হিংহনবগী থৌদাং লৌগনি হায়না অচেৎপা ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুগী রিছোর্স পর্সন আর কে অমরজিৎনা ফোঙদোকপীবগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা ৱা হৌরিবসি স্কৱার কিলোমিটর ৩,৬৯১ রোমনি। য়াম্না থুনা চাউগনবা, রিন্যুবল ওইবা হীরম কয়াদা শীজিন্নবা য়াবা, কার্বোনদাইওক্সাইদ কা হেন্না চূপশিনবা ঙম্বনচিংবসিনা মরম ওইদুনা ৱা মরাং কায়না থাবা অমদি বেম্বু টেক্নোলোজিগী মপূং ফাবা, তুং কোয়না চৎনগদবা থৌরাং পায়খৎপা মথৌ তারে হায়বীখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকাপগী মতম ওইরবনি। চীংখোঙ চীংয়াশিংদা ৱা থাবনা চীং কনবদসু অচৌবা মতেং ওইগনি হায়বা মহাক্কী ৱাফমসি মীপূম তিংনা খঙমিন্নবগী মথৌ তারে। ৱানা শাবা পোৎলমশিং মপান্দা মায় পাক্লা থাদোকপা ঙম্নবা থৌশিল মথৌ তাবদু ফোঙদোকপীরম্মী।

আই ৱাই এ ককচীং ৱাইরিনা চঙশিল্লক্লিবা উ, হৈ-রা থাবা অমদি হিংহনবগী খোঙজংদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়না এল দেবলানা পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা অঙানচীং ইকো পার্কনা গ্রীনরি পার্ক অমা ওইরকপদা অপেনবা ফোঙদোকখি। লমদম অসিগী মীয়াম্না থৌশাবীদবদগী ঐখোয়গী ৱাদগী ফংবা য়াবা কান্নবশিং মপান্দা চৎখ্রগদ্রা হায়বগী প্রোফেসর এন রাজমুহোন্না নুংনাংবা ফোঙদোক্লম্মী।

ৱা মনা কয়া মপান্দা থাদোকপরা হায়না চিংনবা লৈবনা মনা অসি করিদা শীজিন্নবনো হায়বদু থিজিনবা মথৌ তাই হায়খিবদুনা ঐখোয়বু মীৎ-না শিংহল্লি। মতম অমদা ইমাখোয়না শুম্বলদা চেঙ চোইবদা ঙৌননবনি হায়দুনা ৱা মনা হাপখিবদু নীংশিংহল্লি। অতোপ্পা মথেল অমা ওইনা পি বীরমঙ্গল, ক্যরটেকর অঙান চীং ইকো পার্কনা প্রাণায়ন মপূং ফানবা থৌরাং হায়বা শৈরেং অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা খুন্থক খুনখা হায়না মিংথোনবা পোষ্টর শৈরেং অমসু মীয়ামদা খুদোল তন্বীখি। ৱাগী মগুন্না কনমনখিবনা সুনিতা ইবানীসু ৱাবু শৈথাজখ্রে। ৱর্ল্ড বেম্বু দেনা খুদোল তন্বীরম্বা অঙানচীং ইকো পার্ককী বেম্বু জোন ইমং মংনা শাফোঙলকপা ঙাইমিন্নসি, চারোন শুরোন পূন্নমক্কীসু ওইরসনু। ●

ষ্টেটকী পাউ

‘এক্সন লৌখৎতবা হায়বসি হুরানববু কনখৎতুনা থম্বগা পাঙ্খকনি’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা এক্স প্রিন্সিপাল দা. এ সুরেঞ্জিৎকী মথক্তা মখল অমত্তগী এক্সন লৌখৎতবা হায়বসি হুরানববু চপ চানা কনখৎতুনা থম্বগী খুদমনি হায়না লিলোং হাওরৈবী কোলেজগী ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শেঞ্জা থুমজাদা চাওনা চেন্নরিবা এক্স প্রিন্সিপাল সুরেঞ্জিৎকী মথক্তা এক্সন অমফাও লৌদনা থল্লিবা অসি মরম চাদে। ঙসি ফাওবদা ইনক্কারি টিমনা লৈবাক মীয়াম খঙনা থবক লৌখৎত্রিবা অসি মনুংদা করি অরোৎপা এজেন্দা লৈবগীনো। মসিনা তাকপদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হুরানববু শৌগৎলে হায়না তাকপনি। এক্স প্রিন্সিপাল সুরেঞ্জিৎনা লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অসি আই সী য়ুগী থাক্তা থল্লমখি। কোলেজ অসি হৌজিক পেরালাইসিস তৌরগা লৈরে। কোলেজ অসিদা ফন্দ ক্রাইসিস থোক্লে। কোলেজ অসিগী একাউন্ট মঙা লৈ মদুদি মণিপুর রুরেল বেঙ্ক, লিলোং ব্রাঞ্চ; য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, থৌবাল ব্রাঞ্চ; ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, সেক্রেটরিয়েট ব্রাঞ্চ; এন এস এস বেঙ্ক ওফ বরোদা, এম য়ু ব্রাঞ্চ অমদি রুসা বেঙ্ক ওফ বরোদা, এম য়ু ব্রাঞ্চনি। মণিপুর রুরেল বেঙ্কদা লুপা ৩৮,০০০, য়ুনাইটেদ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা লুপা ১৫০০, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা লুপা ৬৯০১, এন এস এস বেঙ্ক ওফ বরোদাদা লুপা ৪৪,৫০০, রুসা বেঙ্ক ওফ বরোদাদা লুপা ৪০,৭২৯ থল্লমখি।

হৌজিক কোলেজগী একাউন্ট মঙাদা পুন্না লুপা ৯৩,৬৩০ বেলেন্স লৈরি। চহী অসিগী মে ৫দা সী এম কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা মতেং তৌনবা আর টি জি এসকী খুৎথাংদা লুপা ২,০৪,৬৪৪ লোন্না কোলেজগী একাউন্টদগী ট্রান্সফর তৌরমলে। টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংদগী নোংমগী সেলেরি কন্ট্রিব্যুসন তৌখি। অদুবু ঙসি ফাওবা কোলেজগী একাউন্টদা হাপচিনবসু লৈত্রি। কোলেজগী একাউন্টদা হাপচিনবগী মহুৎতা কোলেজ অসিগী কেসিয়র বিবি মারেমদা এক্স প্রিন্সিপাল সুরেঞ্জিৎনা চাওরবা বদনাম কয়া পীবিরে।

কেসিয়র অসিদা ঙসি ফাওবা কোলেজগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট শিন্নবসু লৈত্রি। এক্স প্রিন্সিপালনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ৬শুবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয় ৫৭৩ অমদি সেকেন্দ সেমিষ্টরগী মহৈরোয় ৬৫৭কী ফোর্ম ফিলঅপ তৌরম্মী। সেমিষ্টর অনীসিগী মহৈরোয়শিংনা ফোর্ম ফিলঅপ তৌবগী পুন্না লুপা ১৫,৫৭,৬৫০ ফন্দ কারকখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লুপা ৮,২৯,১০০ ফন্দ কাখিদবনি। কোলেজদা লুপা ৭,২৩,৫৫০ লৈহৌগদবনি। অদুবু এক্স প্রিন্সিপালনা অনীশুবা অমদি তরুকশুবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয়দগী ফোর্ম ফিলঅপকী শেল মণিপুর রুরেল বেঙ্ক, লিলোং ব্রাঞ্চদা তাঙ্কক অহুম থোক্লা লুপা ১০,১৮,৭০০ দিপোজিৎ তৌখি। বেঙ্কতা এক্স প্রিন্সিপালনা লুপা ৫,৩৩,৯৫০ দিপোজিৎ তৌখিদে। অনীশুবা, মরীশুবা অমদি তরুকশুবা সেমিষ্টরগী ফোর্ম ফিলঅপ ফোর্ম লৌনবগীদমক্তা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২ অমদি মার্চ ৩দা এন ই এফ টিগী খুৎথাংদা লুপা ১,৯০,০১২ কোলেজগী একাউন্টদা ট্রান্সফর তৌখি। কোলেজ একাউন্টতগী অনীশুবা, মরীশুবা অমদি তরুকশুবা সেমিষ্টরগী ফোর্ম ফিলঅপ লৌনবা লুপা ১,৯০,০১২ এন ই এফ টিগী খুৎথাংদা তৌখিবা অদুসু ঙসি ফাওবা হাপচিনবসু লৈত্রি। চহী অসিগী সেপ্তেম্বর ২৩গী এম য়ুগী কন্ট্রোলরগী ওর্দর অমগী মতুংইন্না তরুকশুবা বি এ অমদি বি সী সেমিষ্টরগী প্রাক্টিকেল মার্ক ওক্টোবর ৭ ফাওবগী মমাংদা থাগৎলক্কদবনি হায়না থোক্লকখি। অদুবু কোলেজ অসিগী ওইনদি ফন্দ অমফাও এক্স প্রিন্সিপালনা থল্লমদবা মরমনা প্রাটিকেল তৌদবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

হৌজিক লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অসি করি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু মণিপুর লৈঙাক্লা অমুক্তং য়েংশিনবিয়ু। মাইনোরিটি মুস্লিমদা হন্থনা য়েংবগী খুদমনি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হুরানববু কনখৎলগা ঙসি ফাওবা থল্লিবা অসি চিংনদবা ঙমদে।

মরী লৈনবা ওথোরিটিনা এক্স প্রিন্সিপাল সুরেঞ্জিৎকী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল ইনক্কারি তৌখ্রবা অমদি মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীদনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা তুমিন্না লৈথোক্তুনা লৈবা অসি লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অসি মাঙখিনবা পোলিসি অমা তৌরবরা হায়না চপ চানা চিংনরে। মরী লৈনবা হাইয়র ওথোরিটিনা স্কেন্দলদা চাওনা চেন্নরিবা এক্স প্রিন্সিপাল সুরেঞ্জিৎকী মথক্তা এক্সন লৌদনা লৈবা মরমনা কোলেজ অসি লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২৮দগী টোটেল সটদাউন তৌরগনি। মসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, সী এস ও, ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী, লোকেল গার্জিয়ানশিংনা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচ এন এস) : কোভিদ ১৯গী অসুক ৱারবা, চিরবা তাঞ্জাসিদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা তেংবাঙনদুনা হিংমিন্নসি অদু ওইরবদি ইরমদম মণিপুর অসি মালেমগী মীয়াম্না শিংথানবা লমদম অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না সোসল ৱর্কর ওইনাম রোমেননা ঙরাং শিংজমৈ কেন্দ্রগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা ইমুং কয়াদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী খোঙচৎতা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ ১৯গী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা চিরোম লৈকাই, থোকচোম লৈকাই, চীংঙা মথক, মণিপুর কোলেজ রোদ, থোংঙাম লৈকাই, চীংঙামখোঙ ওইনাম লৈকাই, ৱাইখোম লৈকাই, ময়েংবম লৈকাই, চোংথাম লৈকাই, শিংজমৈ সাপম লৈকাই অসিনচিংবা লৈকাই কয়াদা মমাঙদসু চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রবা মতুং ঙসিসু কেন্দ্র অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউখোকখ্রবা শিংজমৈ ওক্রম লৈকাই, শিংজমৈ চীংঙামথক অমদি শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাইনচিংবা অৱাবা তারবশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ꯈꯪꯍꯟꯕ / খঙহঞ্জবা

Diamond Farmer Multipurpose Co-operative Society Ltd., Sekta, Imphal East Manipur হায়বা অসি Registere তৌজরগনি। মরম অদুনা মসিদা কনাগুম্বা কনাগুম্বী য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা য়েৎপীরকপা য়াগনি। মখা তাবা Apeal লৌজরোই।

খঙহঞ্জরিবা : **S. Lukhoi Luwang**
Secretary, Sekta Mayai Leikai
8131904079

HL-P/7628/29

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ নুংঙাইরবা পাউনি মীয়ামগীদমক্তা অমসুং থাগৎচরি ওজা **ABDUL HAK** পু

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, চিকপা নাবা, খোং হাম্বা য়াদবা, ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, পাঙ্গল শোন্থরকপা, শৌজ নাম্থবা, অমাংথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, পুক্তা গ্যাষ্টিক কারগা পুক কংখৎপা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খ্বাং নাবা, অহিং মপুং ফানা তুম্বা য়াদবা, ঙকশম মরি নাবা অদু ওজা **Abdul Hak Phone No. :** 8794429681, 8014623756 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Hak** পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)

থাগৎচরিবা : **K. Khelemba Sharma**
Thoubal Khekman

HL-P/7520/29

ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯕ/নুংঙাইতবা ফোঙদোকচবা

Manipur মীয়ামগী কৎথোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা থবক ফজনা তৌজরিবা Hon'ble Minister K. Shyam CAF and PD Revenue Minister বু করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লমদনা Minister ফমদগী লৌথোকপীখিবা অসিদা Manipur গী প্রজা অমা ওইনা Langthabal A/C Kakwa Leiphrakpam Leikai 20/12 গী Polling Committee গী Member শিংনা তশেংনা থম্মোয় শেংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

হায়জরিবা : Secretary
20/12 Polling Committee
Kakwa Leiphrakpam Leikai

HL-P/7626/29

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ / **NOTICE FOR OBJECTION**
Imphal, the 25th Sept., 2020

No. Prop/SR/IW/2019: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Young Star Club Konuma Thongkhong on 25/09/2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MRS Rule, 2004 within the area of operation of "Konuma Thongkhong".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/ Organisation for submitting/inviting objection if any in writting (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose society/Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7626/29

THANGMEIBAND KABUI WOMEN'S ORGANISATION (TKWO)
IMPHAL, MANIPUR

CONDOLENCE

All executive members and members of TKWO in a meeting held on 27th Sept., 2020 at Namthanlong Imphal, deeply condoled the untimely demise of Anang Panmei President of TKWO and Executive member of KAMA (Kabui Mother's Association) on 14th Sept., 2020 because of her personal ailment.

TKWO shares the sorrow of the bereaved family, relative and friend and pray that her soul may rest in eternal peace.

Sd/- Thangmeiband Kabui Women's Organisation, Imphal, Manipur

HL-P/7625/29

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE
FOR
NEET(UG) ASPIRANTS - 2021
- 20 STUDENTS PER CLASS (ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS)
- FREE STUDENTSHIP FOR MERITORIOUS STUDENTS (LIMITED SEATS)

Forms available @ Apollo Office.
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6389/ 19 Sept. to 3rd Oct.

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোং য়াম্না তোয়না হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ মচিৎ হাম্বা, খোং হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোং মনুংদা হাক্কৎচরি হাক্কৎচরি তৌরগা মরেং মরেং চৎলগা লৈবা, মরক মরক্তা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা অদুগা অমুক ঈ তাবা অদু ফখিবা অমুক হৌরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোং য়াম্না তোয়না হাম্বা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা পুক হেক্তা নুংঙাইতবগা লোয়ননা খোং হেক্তা হাম্লিংবা পোকপা, অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ মচিৎ হাম্বা, লম চৎপদা য়াম্না ফরক তাবা খোং তোয়না হাম্বনা মরম ওইদুনা, খোং হাম্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াওরকপা, অমাংথোং ময়াদা হুপ্পা য়াৎপগুম্না তৎপা, খোং হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা, খোং হাম্বা লোইরগা চাম্বদসু য়াম্না থুপ্পা, অমাংথোং মনুংদসু হাক্কৎচরি হাক্কৎচরি তৌরগা মরেং মরেং চৎলগা লৈবা, অমাংথোং ময়াদা চনা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা খুৎনা থেংবদা য়াম্না নাবা, মরক মরক্তা খোং হাম্বদা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা অদুগা অমুক ঈ তাবা অদু ফখিবা অদুগা অমুক ঈ তাবা হৌরকপা অসুম্না হৌদোক হৌজিক তৌরগা লৈবা, চাশিন থকচিল্লবসু হকচাংদা মচি ওইদবা, ঙকশম মরি নাবা, খ্বাং নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6380/29 *থাগৎচরিবা :* **H. Chand Singh, Mantripukhri**

ꯑꯣꯟꯂꯥꯏꯟ ꯗ꯭ꯔꯥꯐꯇꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯦꯗꯤꯇꯤꯡ
ONLINE
DRAFTING & EDITING

- NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.
6. Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.
7. Translation from Manipuri into English.

** The above services are provided in English only through online.

For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)

SARASWATI INSTITUTE OF MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES
Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com
ADMISSION NOTICE
B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)
Last date of Form Submission 10th September 2020

HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।